ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯦꯄ꯭ꯔꯤꯜ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ১০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০১৮ শুবা মশীং

# এইদেদ স্কুলশিংগী ৱাকৎ

## মহৈশঙশিংগী তোখায়বা কাঙলোন অমা শেম্ফম থোকই

*মণিপুরদা* য়ং-য়ং লাওনা মীয়াম্না শোন্নরিবা লৈঙাক্কী মহৈশঙ খুদিংমক এইদেদ স্কুলদগী ওইরকখিবনি। এইদেদ স্কুল ওইরমদবা অমফাওবা লৈঙাক্কী স্কুল ওইখিদে হায়বা য়াই। মসিমক্না লৈঙাক্কী স্কুল খুদিংমক চাউপোক ওইনা পোল্লকপা লৈতে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ইহান হান্না প্রাইভেই স্কুল ওইনা চলাইরম্বদগী মণিপুর লৈঙাক্লা মশক খঙবীয়ু হায়বা ৱাকৎ লাকই। ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্না প্রাইভেট স্কুলশিং অদুদা গ্রান্ট-ইন-এইদ পীবা হৌরকই অসুম্না প্রাইভেট স্কুল অদু এইদেদ স্কুল ওন্থোরকই। গভর্ণমেন্টনা গ্রান্ট-ইন-এইদ পীবা হায়বা অসি চহী ১ গী ওইনা শেনফম খরা পীবা নত্তে। মতম-মতমগী থৌশিলগী মতুং ইন্না স্কুল অদুদা থবক তৌরিবা ওজাশিংগী মনুংদা ৩/৪ গুম্বা লৈঙাক্লা লৌশিল্লগা তোলোব পী। মখোয়দা পীরিবা থাগী তোলোব অদু মহৈশঙ অদুদা লৈরিবা ওজাশিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিং য়েন্নৈ। অসুম্না য়েন্নবসিনা স্কুল খরদনা ওজা অমনা লুপা ৩০০০ দগী ৭০০০ ফাওবা ফংবা য়াওই। হায়রিবা শেনফম অসি হৌজিক্কী মতমদদি য়াম্না পীকই, ইমুং-মনুং পুবা ঙম্বগী ফীভম লৈতে। এইদেদকী ওজাশিংদগী প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংনা তোলোব চাউনা ফংবা হেল্লি। অসুম্না এইদেদ স্কুলশিং নোংমা-নোংমগী শিথরকই। অদুবু এইদেদ স্কুলশিং অসিনা মণিপুরী খুন্নাইদা মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোনদা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুদি কাওথোকপা য়ারোই। মখোয়বু মতমগা চূননা শেমগৎপা অমসুং হিংহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী ঙাক্লৌ নৎত্রগদি ওইথোক্লোই। এইদেদ স্কুলদা লৈরিবা এপ্রুভ টিচরশিং অসিসু শুপ্নতগী অমুকখক লেপখিবা তোলোব অদুখক্তমক ফংহল্লি। লৈঙাক্কী অতৈ এমপ্লোইয়িশিংনা মতম-মতমগী দি এগী চাং হেনগৎপা, আর ও পি লৈহন্দে। অদুবু এইদেদ স্কুলগী গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌখ্রবা ওজাশিং অসিদি মতম-মতমগী ওইবা দি এদুসু হাপ্তে, আর ও পিসু চৎনহন্দে। শম্না হায়রবদা ইমপ্লোয়ী অমগী ফংফম থোকপশিং অদু ফংহন্দে। মমিংখক্তগী ওইনা লৈঙাক্লা মতেং পীবা ওইনা তৌই। মসিনা মরম ওইরগা এইদেদ স্কুলশিংদা মথৌ তৌরিবা ওজাশিংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরকই অমসুং স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা স্কুল চলাইবা ঙমদবগী ফীভম লাকই।

মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক এইদেদ স্কুল ৫৮৫ লৈ। হান্না অপুনবা এইদেদ স্কুল ৬০৪ লৈরম্বদগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখল ময়াদা মহৈশঙ ১৯ অমা কনভর্সন তৌখিবদগী মশীং অসি হন্থরকখিবনি। কনভর্সন তৌখ্রবা এইদেদ স্কুলশিং অদুগী মনুংদা অনীদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতনি। স্কুল অমনা জেদ ঈ ও জোন ৱানগী মখাদনি। অতোপ্পা স্কুল অনীনা জোন থ্রীগী মখাদা লৈবনি অমসুং অতোপ্পা অমনা জোন ফোরগী মখাদা লৈবনি। মতম শাংনা এইদেদ স্কুলদা ওজা ওইদুনা অৱাবা ফীভম কয়ামরুম মায়োক্নরুরবা তুংদা গভর্ণমেন্টকী স্কুল ওন্থোরকপদা পুন্না ওজা ৭৭ লোমদি লাইরৈবাক খুৎনা লাম্বা ফংবদৌনা তৌরমগনি। গভর্ণমেন্টকী স্কুল ওন্থোরকপা এইদেদ স্কুলশিং অদু করম্বা ক্রাইটরিয়াদা য়েংলগা কনভর্সন তৌখিবনো হায়বগী ৱাফম কূপ্পা নৈনরগদি পোলিটিক্স চঙবগী খুদম-চাংদমদি ফংদবা নত্তে। মসিগীসু মথক্তা এইদেদ স্কুলশিং হিংহন্নবনি হায়দুনা লৈঙাক্লা মীখল মমাঙদা স্কুল খরগী ওজাশিং এপ্রুভ তৌবদা অঙকপা মওং অমসু থেংনখি। অঙকপশিং অদুগী মনুংদা এইদেদ স্কুল অয়াম্বনা গভর্ণমেন্টকী এপ্রুভ তৌবা ওজা ৩/৪ দগী হেন্দ্রগা হন্দক্কীসিদনা অকক্নবা এইদেদ স্কুল খরদা ওজা ৯ লোম এপ্রুভ তৌবা য়াওখি। হায়রিবা এইদেদ স্কুলশিং অদু মমাঙগী লৈঙাক্তা মরু ওইবা পোর্টফোলিও পায়বা এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী মনুংদা লৈবশিংনি। থৌশিল অদুনা অহৌবনি, অতৈ এইদেদ স্কুলশিংসু অসুম্না তৌরক্কনি হায়বা লৈরম্বা তারবদি লৈঙাক্লা এইদেদ স্কুলশিং হিংহন্নবা হোৎনৈ হায়বদা য়েৎননবগী মচাক অমত্তা লৈতে। অদুবু পোলিটিক্সতা এইদেদ স্কুল য়াওশিনখিবনা ৱাচৎ-ৱানোম হৈজদবা এইদেদ স্কুল খরগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিদিগী থৌপুবশিংদি হাইফেৎ নুংঙাইরম্লোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা স্কুল লৈতবা মফমদা এইদেদ স্কুলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি লৈঙাক্লা মশক খঙবীয়ু। লোইজিং-লোইয়াদা লৈবা এইদেদ স্কুল খরদি ক্লাস নাইনদগী টেন ফাওবগী থাক্তা তম্বা মহৈরোয় ৩০০ গী মথক্তা লৈবা য়াওরি। মখোয়না খুন্নাই অসিদা পীরিবা কান্নবসিসু লৈঙাক্লা খঙগদবনি। সর্ভ শিক্ষা অভিয়ানগী মখাদা লৈঙাক্কী স্কুল অমদা পীরিবা খুদোংচাবশিং মহৈরোয়শিংদা খেন্নবা থমদনা এইদেদ স্কুলদসু ফংহন্নবা শীনগদবনি। প্রাইভেট স্কুলশিংগুম্না মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিং এইদেদ স্কুলশিংদা থানিংনবা অখন্নবা থৌশিল অমা শেম্বীবসু ফৈ। মদু নত্তনা রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টসু ইল্লু, লৈঙাক্লা শেন্থংসু নিংথিনা পীরোই হায়রবদি স্কুল মুখৎনবা থৌশিল শেম্বগা চপ মান্নগনি। খ্বাইদগী হেন্না ফবদি প্রাইভেট স্কুল, এইদেদ স্কুল অমসুং গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী ওইবা অপুনবা থৌশিল অমা শেম্লগা চলাইহল্লবদি খুদোংচাদবশিং অসি খরদং ওইরবসু কোকহনবা ঙমগনি হায়না লৌই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# ইকনমিক ব্লোকেদতি লৌথোকখ্রে, পোৎ-চৈগী মমলদি হন্থদ্রি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*চহী* ১৫ লৈঙাক পায়দুনা লাকপা কোংগ্রেসনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা মতম কুইনা লোইশিনবা ঙমদনা লাকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা পুং ২৪ গী মনুংদা লৌথোকখিবা অসিমক্তি লমদম অসিগী ইকনমিক ব্লোকেদকী চৈথেং ফংলিবা মীয়াম্না তরাম্না ওক্লি। চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নোংথোম্বম বিরেন লমদম অসিগী শান্ন-খোৎনবা অমদি জর্নেলিজমগী চাউরবা থৌদাং লৌখিবা মীশকনি। মহাক্কী মরৈবাক নুংশিবা অমদি অখাং কনবা থবকশিং লমদমসিগী মীয়াম্না নীংশিংলমগনি হায়না খল্লি।

লুরিবা ৱাফমদি, ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোকখ্রবসু মতম অমদা পীরম্বা পোৎ চৈগী মমলদি ঙসি ফাওবা হন্থদবা য়াওরি। মরুওইনা লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংনা খুন্দাবা লমদম অসিদা নোংমগী তঙাইফদনা চঙবা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং অসিগী ওইবা লৈঙাক্কী চপ চাবা মমল লেপথোক্তুনা ললোন ইতিক তৌরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী দুকানশিংদা থেৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। ব্লোকেদ লৌথোকখ্রে হায়না ৱাজাউ ঙাঙদুনা লৈরগা অহোংবা মমলদা মীয়ামদা ফংহনগদবা পোৎলমশিংনা ললোন ইতিক তৌরিবা মপান লমগী মহাজনশিংনা লেপনিংবা মমলদা লেপ্লিবা অসি থিগৎপা মথৌ তাই।

লমদম অসিগী মীয়াম্নসু মমল হেন্না য়োল্লিবা অসি করিসু হায়দনা অচাওরম কাদুনা পংলৈদা লৈবা তারবদি লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভমদা হেন্না হেন্না শোকথরক্কনি খল্লি। হীরম অসিদা লমদম অসিগী ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিং অমদি ষ্টেকহোলদরশিংনা লমদমসিগী মীয়ামগী খনবীরগা লৈবাক অসিগী অতৈ ষ্টেটশিংদা চৎনরিবা ফিক্স চার্ট প্রাইজ লেপথোকপা মতম ওইরে। মরুওইনা লমদম অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা চঙশিল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি।

*অদোমগী - ঈশ্বরচান্দ, ইথিং*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১। ‘‘বসন্তগী সন্ধ্যা য়াচংবা কালনি। ... ইম্ফাল তুরেলগী মপান্দনি। অথাপ্পদা শুগুনু হিগারুবা কনানা... তরেৎশুবা খোন্থাংনা... লাউরি।’’ পরেংশিংসি করম্বা অরিবা উপন্যাসকী অহৌবা পরেংশিংনো?

২। ‘‘ইপাকসিদগী কোঙ্গোল পূম্নমক তাকখ্রবদি/লাই অসিগী মমল কনানা হুল্লগনি।’’ ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?

৩। ‘‘নঙ লাক্কনু শকুন্তলা/থম্মোয়গী পল ৱাংমা লান্না/ ... /পীক্লবা চীংলৈবাকসিগী চনুরাশিংগী থম্মোয়দা।’’ অইবী অমগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। হিন্দিগী ‘দেবলোক’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। ‘মতম ঈশৈ অমদি ঐহাক’ কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## খামেন অশিনবা অমসুং ঈশিং নুংশিৎ

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**

**মণিপুরদা** চহী চুপ্পা খামেন অশিনবা ফংই। থাদবা থা লৈতে। চহী চুপ্পা ফংই। তাঙবা হোঙবগী ৱাফমখক্লি। নৌনা এঞ্জুং নাপী থাবা হৌরকপা মীওইসু কৈথেলগী ফীভম, চান্নরিবা, পাম্নরিবা কয়াসি উরগা খামেন অশিনবদা অহানবা ওইনা খূৎ থানৈ। খামেন অশিনবা থাবদা খঙদবা য়াদবা কাঙলোন শোয়খিবা কয়ানা পোথোক পুথোকপদা ৱাহল্লি। অখঙবা, খূৎলোইরবা মীওই কয়ানা খামেন অশিনবা থাবা নুংঙাই। শেল কোম্না ফংই হায়।

খামেন অশিনবসি শাগৎলকপা মতমগী পান্বী ওইরবসু চহী চুপ্পা থাদুনা পুথোক্নরে। অদুমকপু চেকশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামুক্তি লৈরি।

অইং-অশা, হার অমসুং ঈশিংগী চাং শোয়বদগী পোথোক্কী চাং নেম্বা তোয়না থেংনরি। মহৈ অমসুং পান্বীদা হোংলক্লিবা মওংশিংদু লায়না তীলনানি খন্দুনা মখল কয়াগী হীদাক শীজিন্নবা তোয়না থেংনরি। লায়না তীলনাগী হীদাক শীজিন্নবা হায়বসিমক শেল, পাঙ্গল, পোথোক অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লিবনি। মরমসিমক্লা তোয়না থেংনরিবা সমস্যা কয়াসি খঙদোকপা দরকার ওইরি।

**অইং-অশা ঃ** কালেনগী পান্বী ওইরবসু য়াম্না শাবা মতমদা মহৈ তম্বা ঙমদে। মপাল অমসুং মহৈ নীংথিনা তম্নবগীদমক নুংথিলগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি ২৫ অমসুং নুমিদাংগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮ হায়বসি য়াম্না পক্লে।

শাদা শাখ্রবা নৎত্রগা নিংথমথাগী য়াম্না ইংবা মতমদা মপান কেনবা, মহৈ তম্বা ঙমদবা তোয়না থেংনৈ। নুংথিলগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২, নুমিদাংদা সেলসিয়স দিগ্রি ২২ গী মথক অমসুং নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮ অমসুং ১২ গী মখাদা লৈখ্রবদি মহৈ তম্বা ঙমদে। মরম অসিনা হৌখিবা নিংথম থাদা মপাল তোয়না কেনবা, মহৈ তম্বা ঙমখিদবগী সমস্যা তোয়না থেংনখি। হন্দক্তসু সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.২ য়ৌখি। নোং তাবনিনা থোইদোকপা অকায়বা লৈত্রবসু চেকশিন্নীংঙাই ওই।

অশাবা মতমসিদসু মপূং ফারবা খামেন অশিনবা কয়া ঙাঙবা ঙমদনা নাপু চংলপ লৈবা থেংনরি। অতোং অকুৎ নাইবগা লোয়ননা উৎমানবা শংলি শংলিবা মচুগা নাপু চংনা লাংবা খামেনশিং থেংনরিবনি।

হার হায়ব্রীদ অমসুং হায়ব্রীদ নত্তবা খামেন অশিনবা পান্বী অনীসিদা

**শঙম অমদা চংগদবা হারগী চাং**

| খামেন অশিনবা মখল | নাইট্রোজেন | ফোসফোরস | পোটাস |
| --- | --- | --- | --- |
| হায়ব্রীদ | ৪৫ | ৩৮ | ৩০ |
| হায়ব্রীদ নত্তবশিং | ৩০ | ২০ | ১২ |

পীগদবা হার অসি অসুক্কী মতিক খেন্নৈ। হায়ব্রীদনা হার হেন্না চঙই। ফোসফোরস তঞ্জায়মুক খেন্নৈ। পোটাসনা তঞ্জায় হেন্না খেন্নৈ। অদুমকপু নাইট্রোজেনগীদি তঞ্জায় য়ৌনা খেন্নদে শরুক অহুম থোকপগী অমখক হেনগৎনা শীজিন্নৈ।

ঐখোয়না লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্তনা মখল কয়াগী হার শীজিন্নবা অমসুং দরকারগী ৱাংমদা হেন্না ফনবনি খন্দুনা নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংনা হাপচিনবনা লায়নাশিং তানবগী মরম ওইবতা নত্তনা খামেন অশিনবগী মনুং হাম্বা, চাওফম থোকপা চাংদি য়ৌজরবসু ইয়াং য়াংবগী লায়ওংসি তত্তনা উৎলি। কাঙলোন চুম্বা অমসুং পোথোক ৱাংনবগীদমক্তি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্লগা থারিবা মরু মখলদুগা চাননা চপ চাবা চাংখক্কী হারদু মতম চানা হাপ্পসিনি।

**ঈশিং ঃ** খামেন অশিনবদা ঈশিং য়াম্না তোয়না পীবা দরকার ওই।

অদুমকপু ঈশিং হেনজিন্না পীরবসু পান্বীগী মনা, মশা-মরেং ফরগা মহৈ পানবগী চাং নেম্বা তোয়না থেংনৈ। নিংথম থাদা নৎত্রগা কালেনগী মতমদা ঈশিং ৱাৎপনা মপাল কেনবা, মহৈ তম্বা ঙমদবা নৎত্রগা মহৈ চাওবা ঙমদবগী সমস্যা তোয়না থেংনরি। নোংজুথা য়ৌরক্লবা মতমসিদদি ফৈদোম ৱাংনা চিংখৎহৌবা, অহেনবা ঈশিং খুদিংমক চিথফম শেমহৌবা মফমশিংদি লায়না তাবগী চাং হন্থৈ। লৈবাক্তা ঈনিলগী চাং ৱাংবনসু মনাদা মকু মকু তৌবী তীলনাগী চাং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা লৈবাক্তা ঈনিলগী চাং চানা থম্নবগীদমক নিংথম অমসুং কালেনগী চানগদবা মওংদা কাঙলোন চুম্না অমসুং চাং নাইনা ঈনিল লৈহন্নবা ফৈদোম চিংখৎকনি অমসুং ঈশিং পীগনি।

**খামেন অশিনবা চেকখায়বা ঃ** খামেন অশিনবদা মওং কয়াদা চেকখায়। পানফম মখোক ময়াদা য়ুংনা য়ুংনা চেকখায়বা অমসুং অশংবা খামেন অশিনবগী ময়ায় থংবা শরুক্তা ইকোয় কোয়না চেকখায়বা থেংনগনি।

**চেকখায়বগী মরম ঃ** (১) কংনা লৈরুরবা মতুংদা নোং খংলাক লাকশিন্দুনা ঈনিল খংৱাং ৱাংখৎলকপা।

(২) চাং নাইনা ঈশিং পীহৌদবা।

(৩) নুংথিল অমসুং নুমিদাংগী মতমদা অইং অশাগী চাং খংখেৎ খেন্নবা।

(৪) খামেনশিংদা অয়াকপা নুংশাগা অয়েননা লৈবা।

(৫) বোরোন ৱাৎপা।

**কন্নবা পান্থৈ ঃ** (১) ঈশিং চাং নাইনা পীনবা হোৎনগনি।

(২) খামেন অশিনবগী মশা থাদোক্তবা ফৈ। মশা থাদোকপনা খামেনদা নুংশা য়ৈবা হেনগৎহনবদা নত্তনা ভাইরস লায়না শংদারক্লবা মরম অমসু ওইহল্লি।

(৩) ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা নাইট্রোবোরেক্স মিলিলিটর ১৫ য়ানশিল্লগা কাপথোকপা য়াই। চপ চাবা লায়ওং খঙদোক্লগা হীদাক কাপসি হায়বা ৱাফমসি থমজগে।

# ফৌদি পুথোক্তুনা শেন্দাল লম্বী শেমসি মীয়ামগী থৌগলসু ফংলসি

**এস সুমঙ্গল সিংহ**

**মরু** হায়বসি লৈরমদ্রবদি পান্বী অমত্তসু হৌরল্লোই। তাইবঙ মপুনা পান্বীশিংগী মাগী মাগী চাদা-নাওদা মুৎখিদনবা মরু শেন্বীদুনা পালহল্লম্মী। লৌউ শিংউগী লোন্দা থাননবা শীজিন্নরিবা খুদিংমক মরুনি হায়না লৌই। খুদম ওইনা ফৌগী মরু, পানগী, শীংগী, য়াইঙংগী মনাও, মমিৎ য়াওবা চুগী মতাঙ খুদিংমক মরুনি। ৱাখল্লোন অসিসু অদুমক চুমদুনা লৈখিগনি অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি মরু (সীদ) খক্তমক হায়বগী মহুত্তা প্লান্টিং মেটেরিএল হায়বা ৱাহৈ অমা থেৎচিন্দুনা সীদ এন্দ প্লান্টিং মেটেরিএল হায়বসিনা হেন্না চুম্বা ওইনা হায়নরক্লি। অশেংবা মরু, হায়বদি পান্বীদা শারিবা মপান্দগী মহৈ য়ান্দুনা পাল্লকপা মহৈদুদা য়াওবা মরু, অদুগা প্লান্টিং মেটেরিএল হায়রগনা অতোপ্পা পান্বীগী থাননবা শীজিন্নরিবা শরুকশিং অসিবু তোঙানবা মওংদা খঙননবা হোৎনরক্লি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মরু হায়বসি লৈরমদ্রবদি লৌউ শিংউবসু লৈরল্লোই। মরু হায়বসি লৌউ শিংউগী কাঙলোন কয়াবু মাঙদা পুদুনা চৎলিবা গাড়ীনি হায়নরিবনি।



*সীদ ভিলেজ অমা*



*ফিল্ড ইন্সপেক্সন*

অমরোমদা অমুক চাননবা থল্লিবা মহৈ মরোংগা, থাননবা থল্লিবা অদুগা অনীগী খেন্নবা লৈ হায়বসি খঙবসু মরুওই। ইপা ইপুশিংনা য়াম্না চুম্না থাননবা ফৌবু ফৌদি কৌনরল্লিবসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না লৈ। ফৌদিগী মগুন মখোয়না খঙলম্মী হায়বা য়াই। অখঙ অহৈ কয়ানা মরু হায়বসি লৌউ শিংউবগী থবকপু মাঙদা পুদুনা চৎলিবা গাড়ী অমনি হায়রিবা অসিমসু য়াম্না চুম্লবা ৱাফম অমা ওইরিবনি। হায়রিবা গাড়ী অসিনা লেপখিবা মতমদা লৌউ শিংউবসু লেপখিগদৌরিবনি। গাড়ী অসিবু মশা শেংনা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা থম্বগা লোয়ননা দ্রাইভর ওইগদৌরিবা মীওই অদুসু গাড়ী থৌবা য়াম্না হৈবা মথৌ তাই। অহানবগীসিনা অখঙ অহৈশিংনা পাঙথোক্কদবনি অকোনবগী থৌগদৌরিবসিনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনি। লোয়ননা গাড়ীদুনা চৎননবা লম্বী অদুবুসু মতিক চানা ফনা থম্বা হায়বসিমসু য়াম্না মরুওই। নৎত্রবদি লৌউ শিংউবা হায়রিবা য়াম্না মরুওইবা থবক অসি খুমাঙ চাউশিনবা ঙল্লোইদৌরিবনি। হায়বদি ঈথৈ লৌখোং ফৎত্রবা, হার মতম চানা, মতিক চানা ফংদ্রবা, লৈঙাক্কী থৌরম (প্রোগ্রাম) কয়া পুকচেল শেংনা পায়খৎত্রবা লৌউ-শিংউ মপূং ফানা চাওখৎপা ঙল্লোই হায়বনি। মসিমদি লৈঙাক্কী মথৌনি। মসিনা খুমাঙ চাউশিন্দ্রবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি চাওখৎপা থিনগদৌরিবনি। অফবা মরুগী কান্নবা মথৌশিং অদুদি পূম্নমক্লা হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। শম্না থমজরবদা অফবা মরুনা থাবনা ফত্তবা মরুনা থাবদগী চাথোক হেল্লি হায়বসিনি। ফৌনা মপান শাৎলকপা মতমদা মণিপুরগী ফৌগী লৌফমশিংদা কোয়না চৎতুনা য়েংবদা, শাৎলিবা ফৌশিং দোলান শানা হৌবা থেংনবদা খুদিংমক্কী পূক্লিংদা নুংনাংবা ফাওবীরমগনি খল্লি। খরনা ঙন্না মুন্দুনা কেনখ্রনি খরনা মুন্দদুনা লৌবুক্তা লৈহৌরনি। মসিমক্কনি চাথোক হন্থরিবসি। অমরোমদা মরু অমা য়াওখিবনা মথং চহীদা মরু লিশীং অমা মাঙশিল্লক্কনি, মথংদা লাখ তরা য়ানশিল্লক্কনি, চহী খরগী মতুংদা ঐনা ঐনা থারিবা ফৌ করি ফৌনো খঙদবমখৈ ওনখ্রনি, ভেরাইটি অদু মাঙখ্রগনি।

পূম্নমকশিং অসি লৈবনা অফবা মরু পুথোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমা ওই হায়জবনি। অদুবু য়াম্না লুরিবদি অফবা মরু কনানা পুথোক্কনি হায়বসিনি। লৈঙাক্কী ওইবা অফবা মরু পুথোক্লবা লম য়াম্না লৈজদে, মসিদি লৌমী ওইরিবা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি। কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা মসিবু শিনফম ওইনা মায় ওনশিন্দুনা হোৎনরবদি অচৌবা কারবার অমা ওইবসু য়াই। লোয়ননা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌবিগদৌরিবনি।

ঙসিগী ওইনদি অঙনফৌগীদমক করম্না ফৌদি পুথোক্কনি হায়বা ৱাফম খরা থমজগে। মণিপুরদা অঙনফৌ ওইনা থাবা য়াবা অফবা ফৌ মখল খরা পনবা তারগদি - আই সী এ আর, মণিপুরনা পুথোকপা আর সী মনিফৌ - ১২ (হান্না আর সী এম- ১৩ হায়না খঙনবা), সী এ য়ুনা পুথোকপা সী এ য়ু আর - ৩ (মঙ্গল হায়না খঙনবা), এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা পারিফৌ পনবা য়াই। মখোয়শিং অসি য়াম্নমক ঙন্নসু পুথোকপা য়ারবা চাথোক লৈবা ফৌ মখলশিংনি। অহুমসিগী মনুংদা মণিপুর মীয়ামগী অহাওবা চাক ওইনা হায়বা তারগদি আর সী মনিফৌ - ১২ অসিনি হায়বা তাই। লাইবক থিবদি অঙনফৌ থানরিবা ইচিন ইনাওশিংগী কোন্নবা ফৌদি মরাং কায়না ফংদবা অসিনি।

হৌজিক ফৌদি পুথোকপদা তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবা থৌরম খরা খঙজিনমিন্নসি।

১) ইহান হানবদা ফৌদি ওইনা পুথোক্কে হায়রবদি ফৌদি পুথোক্লবগীদমক্তা শীজিন্নগদৌরিবা মরু অদু মশক খঙবা মফমদগী - খুদম ওইনা আই সী এ আর, সী এ য়ু, লৌউ লোইশঙ, কে ভি কেশিংনা থাবা য়ারে হায়না পীরকপা মরু ওইহনবা তঙাইফদে।

২) অনীশুবদা লৌফম খনবা অসিসু মরুওই। লম্বী ময়া ওইবা লৌকোন অমদা পূন্না লৈবা লৌফমদা মীয়াম পূন্না পায়খৎমীন্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফৈ। হায়রিবা মফমসিদা থাগদৌরিবা ফৌসু মখল অমত্তংগী ওইহনবা ঙল্লবদি য়াম্না ফরে। মসিগী কান্নবা কয়া অমা লৈ। মওং অসিবু কম্পেক্ট এরিয়া এপ্রোচ নৎত্রগা সীদ ভিলেজ কন্সেপ্ট হায়না খঙনৈ। অমরোমদা অমুক থাননবা লৌফম খনবা অসিসু য়াম্নমক মরু ওই। লৌফম অদু মমাঙদা, মরু পুথোক্কদৌরিবা মখল অদু নত্তবা অতোপ্পা মখল থাখিদবা ওইগদবনি। অসিগুম্বা মফমদি পাক হেক ফংদবনিনা উপাই অমা তৌদুনা হান্নগী থাখিবা ফৌগী কেলহৌবা মরুশিং হৌরক্তনবা উপাই শীজিন্নবা তারকই।

৩) আইসোলেসন হায়বদি অতোপ্পা ফৌ মখলশিংগী থাফমদগী থাপতোকহনবা হায়বনি। সিমসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। থৌওং অসিনা অতোপ্পা মান্নদবা ফৌগা য়ানশিনখিবদগী হায়বদি ক্রোসিং তৌখিবদগী ঙাকথোকপা ঙমহনগদৌরিবনি। মসিগী মওং কয়া অমা লৈখ্রে। মপান শাৎপগী মতম খেন্নহনবা। য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫-২০ নি খেন্নহনবা। থাফম লাপ্নহনবা হায়বদি মিটর ৩ লাপ্নহনবা, মসিমদি অতোপ্পা মীওইদুদা ঐগী মরু লোক্নবা ফৌ থাগদৌরি নঙগীসু মিটর অহুম লাপ্না থাও হায়বদু য়ারোই। ঐনা মাগীদগী মিটর ৩ চঙশিল্লগা থাবা তাই, লম খরা মাঙবা তাবনি। মসি ঙল্লবদি ফরে। নৎত্রগা নক্লা থামিন্নরবসু লোকপা মতমদা মান্নদবা ফৌগা নক্লা থংনবদা য়ামদ্রবদা মিটর ৩ থাদোক্লগা খাওবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

৪) ফৌমাঙ খন্দোকপা হায়বসিসু অশেংবা ফৌদি ফংহনবগীদমক য়াম্নমক মরুওইবা অমনি। লৌহোন ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা মান্নদবা ওইনা উবা পান্বীশিং খুদম ওইনা হেন্না ৱাংবা নৎত্রগা নেম্বা, মখোংগী মচু মান্নদবা, মানাগী মওং খেন্নবা অসিনচিংবা য়াওরবদি খুদক্তা পুথোক্তুনা মাঙহনবীগনি। লিংথোক্লবা মতুং মপান শাদ্রিঙৈ মতমদা হায়রিবা মওংশিং অসি য়াওরবসু শেংনা মীনুংশি য়াওদনা, হায়বদি খঞ্জান্নবা তৌদনা লৌথোকপীগনি। মপান শাবা মতম অসি খ্বাইদগী চেকশিনবা মতমনি। খরা হেন্না ঙন্না মপান শারকপা নৎত্রগা খরা হেন্না থেংনা শারকপা পান্বীশিং, মপানগী মচু অমদি শাওং মান্নদবশিং, পান্বী পূন্না ফুক্তোক্তুনা মাঙহনবীগনি। ককথৎপনা য়াদে, ককথৎলবা মতুং অমুক চোংখৎলকপা শোয়দ্রবনি, ফুকতোকপীগনি। অরোইবদা, ফৌগী ফৌশক মান্নদবশিং খুদম ওইনা থারিবা ফৌগী মরুদগী মতুম হেন্না তাবা, হেন্না শাংবা, মতু পানবা, মতোন মুবা অসিনচিংবা পানবা পান্বীশিং লৌথোক্কনি। মান্নদবনি হায়না চিংনবা খুদিংমক লৌথোকপীগনি। কা হেন্না য়াম্না অমাংবা ফৌ য়াওবা থেংনরোই পাখৎপা পোকপীগনু।

৫) লায়না তীলনা তারকপা খুদিংমক মীকুপ নাহুমশিংনা লৈদুনা অখঙ অহৈ তান্নদুনা ঙাকথোক্কনি।

৬) নাপী মরু পান্বীশিং শেংনা ফুক্তোক্তুনা লৌথোক্কনি। মখ্বাংদা ককথৎপখক্লা য়ারোই অমুক শোয়দনা চোঙখৎলক্কনি।

৭) শুকশোয় শোয়দনা, খরা লনতক্লা পান্বী অমমমদা পরেংদা থাবীগনি। পরেংগা পরেংগা সেন্টিমিটর ২০, পরেংগী মতুংদা পান্বীগা পান্বীগা সেন্টিমিটর ১৫ ওইরবদি য়াম্না ফরে। খরগা হেন্না লাপনহল্লবসু কায়দে। ঙল্লবদি এস আর আই মেথোদতা থাবনা খ্বাইদগী ফৈ। মসিনা পরিদা ফৌ কিলো ৫ খক্লা য়ামদ্রবদা কিলো লিশীং কয়া (৫-৬/৭-৮) পুথোক্কদৌরিবনি। হায়বদি পরি অমনা পরি কয়া থাবা কোন্ননবা ফৌদি পুথোক্কদৌরিবনি।

৮) লোকপগী মতম চুম্না লোকপীগনি। মতোন থংবা মরুনা চরু মচু ওল্লবা মখোক্তা পানবা মরু খরনা খরা শংলিবা মতম, মেৎপদা মখোম থোক্ত্রবা মতমদা খাওবা চপ চারে।

৯) য়ৈবা মতমদা মেছিন্না য়ৈদবনা ফৈ। মরমদি, ৱানা চেকশিন্না হোৎনরক্লগা মেছিন্দা য়াওরকপা অতোপ্পা ফৌ মরু শোয়দনা য়ানখিবগী অকিবা লৈ। মরু অমা য়ানখিবদা মদুমনা মরু লিশীং অমা অনী পুথোক্তুনা ফৌ মখল অদু মাঙখিবা য়াবগী অকিবসু লৈ। ফৌবি হায়ফমদা তাবা মরুদমক ফৌদি ওইহনসি। য়ৈগদবা ফক শেংনা শেংদোক্তুনা ফৌ মরু অমত্তা য়াওহল্লোই, খুলংশিংগী মফি মরোল, কোকশেৎনচিংবদা পল্লকপা মরুনসু মরু শেংহন্দবা য়াই, চেকশিনবীগনি। অতোপ্পা লৌফমদা খুলং শুরুবা মীওইশিংনা মতেং পাংবা চঙলক্লবসু মখোয়বু চেকশিন্না চেক তৌদুনা শেংদোক্লবা মতুংদা য়াওহনগনি। ফৌ হান্ননবা বোরাশিং য়ারিবমখৈ অহনবা ওইহনসি, অমনবা ওইরগনা ফৌ মরু য়াওরক্তনবা চেকশিনগনি। ফৌ ওন্নখিদনবা বোরাদা মমিং থাহৌবা কাউবিগনু। লোয়ননা কংনা ফৌবা কাউবীগনু।

অতৈ কাঙলোনদি ফৌ থাবগা চপ মান্নৈ। ফৌদি পুথোকপনা গ্রেন পুথোকপদগী শেন্দোং লৈবদি য়াম্না হেল্লি। অমনা কিলোদা ১৫-১৬ পীবদা মরুনা কিলোদা লুপা ২৫-২৮ দা য়োনবা য়াগনি।

থমজরিবা ৱাফম খরসি মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্লা লৌবীদুনা চাথোক হেন্না পুথোক্তুনা চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমীন্নরসি মীয়ামগী থৌগলসু ফংলসি।